# মণিপুরদা চীংয়া-তময়া শীন থুংনা থিএটরগী মহাউ য়েল্লকখিবদি এলাংবম জয়চন্দ্রনি

*-নানি*




দ্রামা হায়বসি করিনো হায়বা শুকখঙ খঙদ্রিঙৈ মতম, অঙাং ওইরিঙৈদা লৈকায় খুদিং, খুঙ্গং খুদিং কোয়না চৎতুনা মণিপুরদা চীংয়া-তময়া শীন থুংনা থিএটরগী মহাউ য়েল্লকখিবা, দ্রামাগী মতিক-ময়াই খঙহল্লকখিবা, অয়েংবা পুন্নমকশিংবু মমিৎতগী মপি চদুম-চদুম তাহন্দুনা কপহনবা ঙমখিবদি হন্দক্তা লৈখিদ্রবা এলাংবম জয়চন্দ্রনি। মণিপুরগীদি অতাওবা মীশক অমনি। মশামক এক্টরনি, সিঙ্গরনি, ম্যুজিক দাইরেক্টরনি, দিজাইনরনি, লাইটিংগী, সাউন্দগী, ম্যুজিক্কী ইতোপ-তোপ্পা মহাউ অমা মীয়ামদা য়েল্লকখিবা মীশক অমখক হায়বা তারবদি মহাক নত্তনা কনাসু লৈতে। পুখম থিনবগী মখোল ঐখোয় খুদিংমক্না লোইনা তানরে। খূৎতগী লৈবাক্তা পুখম তাদুনা মখোল থোকপদা য়ূমগী অহল-লমনশিংনা মচা, মমৌদা চেকশিনদে, কোল-লিক মখোল থোকহল্লি হায়দুনা চৈ। অদুবু দ্রামাগী মতাং চানা ওজা অসিনা সেনজেংগী পুখম অমা থাদবা, চৈনা কনবা, মখোল অয়াকপা, অথোৎপা, অরূম্বা মখোল জাৎ-জাৎ থোকহন্দুনা মীয়ামদা তাহনবদদি থম্মোয় ময়োল শাৎপা ঙম্মী। কয়াদা তাঙখ্রবা মতিক ময়াই চেনখবা মীশকনো? লৈকায় অমদা 'জয় দ্রামা' তৌদৌরি হায়বা তাবদা লৈকায়দুদা লৈবা কনানো, থৌ-ৱা শাদনা লৈথোকপা ঙমখিবা? লৈশাবী-পাখঙ, অঙাং-নুবী, অহল-লমন অমত্তা খাক্তনা মান্দোপ্তা, শুমাংদা, শঙ্গোয়দা লোইনা শুনা তিল্লদুনা, মমিংতগী ওইবা দ্রামাগী টিকেট অমা কক্লগা চন্দ্র চাইথোক্তুনা থাবা ফম্ফম মুন্নখিদবা কনা য়াওখিবগে? টিকেটসু ওজা অসিনা য়োনগনি, দ্রামাসু ইগনি, তমসু তম্বীগনি, ঈশৈসু শক্কনি, দ্রামাগী মৈ মুৎপা, মৈ ঙানবা, থাবল থোকপা, নুমিৎ তাবা, অয়ূক ওইরকপা, হারমোনিয়ম খোংদুনা দ্রামাগী অকনবা, অথোৎপা মখল কয়াগী ম্যুজিক পীবদা হৈথোই শিংথোইবা, মহাক্কী হায়বা খুদিংমক্তা মণিপুরগী মীয়াম্না পামখিদবসিবু করি লৈখিবগে? অসুক তাঙলবা মীশক অসি হৌখিবা মে ২৪, ২০২১দা লৈখিদ্রে হায়বা পাউ তাবদা কয়াগী মতিক নুংঙাইখিদে। তাঙলবা মীশক অমা মাঙজবগী পেন্দবা অদু থম্মোয়দা চপ চানা ফাওখি। মীওই কয়ানা ওজা অসিনা লৈখিদবগী পাউ ফোঙনরকখি। অদুবু, ইচিৎ চিখবা অমা ওইনা, মণিপুরগী মশক নাইরবা থিএটরগী মীওইশিং, গ্রুপশিং য়াওনা, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওইবা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগী পাউদি ঐনা তাহৌদবনরা করিনো কয়া তাখিদে। হোয় খরবুদি তাখি, এম দি য়ুনদি মহাক লৈখিদবগী মতমসিগা চুননা থৌরম ফাওবা পাঙথোকখিবগী পাউ লৈখি। লৈঙাক থৌঙাক্কী মায়কৈদগীদি থোইদোক্না নুংঙাইতবগী ঈ-পাউদি ইনাকোং পংনি, তাজহৌদে। লমদমসিদা লৈঙাক থৌঙাকপা য়াম্না লৈ, গভর্ণর ফাওবদগী চিংলগা, এম এল এ, মিনিষ্টর, ব্যুরোকেটশিং, মদগী অমুক মরী লৈনবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট, এজেন্সী ময়াম অমা লৈরি, মখোয় মখোয়গী মায়কৈদগীসু ৱাহৈ অমা অনী ফাওবা কাংলকখিদে। অহল অসিনা তৌরম্বা থবকশিংগী তৌবীমল খঙবা ৱাহৈ অমা অনীদংদি তাগে ঙাইখিবনি।

চহী খরদি কুইরে, ওজা পাবুংসিনা চখোক-চৎশিন ঙল্লিঙৈদা, নোংমা ঐগী য়ূমদা মহাক্কী মহৈরোয়, নুপীমচা অমা অনীগা লোয়ননা ওটো তোংদুনা লাকখি, মখূত্তা চৈশু পায়বদা খ্বাইদগী পকচবা, মশা নানবা, ওজা অমা ওইবগী মতিক ময়াই চেনবা, ৱাং-চাউখ্রবা ওজানা কোল্লপ তৌরগা নুপীমচা অমনা শম্মগা ঐগীদা চঙলকখিবদু ঐনা করম্না কাউগনি। মণিপুরী দ্রামাগী/কলচরগী ওইবা ৱারী শাংনা শানখি। ওজা/পাবুংসি ঐবুসু য়াম্না লুনা তৌবীবনি, ঐনসু য়াম্না লুনা ওজাবুসু খঞ্জবনি। ঐনা থৱায় য়াওনা থিএটর কন্না তৌরকপা হৌরকপদা এলাংবম লৈকায়দা লৈবা রোয়ল থিএট্রিকেল ক্লবতা আর্টিষ্ট ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা ওজা-পাবুংগী মনাক্তা তোয়না চঙই। তোয়না ৱারী শানৈ। ওজ াগীদি মহৈরোয় য়াম্মী। নুমিৎতুগী ৱারীদু ঐনা কাউবা ঙমদে, ঐনা ফোরম কয়াদা ওজাগুম্বা মীশক অমগী মফমদা লৈবাক অসিনা উৎকদবা ইকায় খুম্নবা অদু লোৎশিনবীগনু হায়না কন্না কন্না ঙাঙখিবসি ওজানা তাখি, ওজাগী মহৈরোয়শিংনা তারগা ওজাদা তমখি। অদুনা ওজ ানা থৌওইনা ঐগী য়ূমদা লাক্তুনা মহাক্কী ওইবা ৱাফম কয়া ঐবু খঙহন্নবগীদমক লীরবনি। ৱারী শাংমন্দনা লোইবা নাইদ্রে, ঐনা খুরুমদুনা ঐ ওজা-পাবুংগী য়ূমদা নোংমা লাকচরগে হায়জখি। নোংমদু ঐ ওজা-পাবুংগী য়ূমদা চৎলি, ওজা-পাবুংসি উগী দলান মথক্তুদা লৈ। কাফমদু ইচিন চিল্লি। ঐবু মথক্তা কারকউ হায়না হায়বদগী কাখৎলগা ওজাবু উনজখি। ওজা-পাবুংদু ফমুংদা ফম্মগা লৈরম্মী। ঐনা খুরুমজদুনা নোংমা লোইহৌদবা ৱারী মখাদু শানৈ। ঐনা নোট বুক পায়দুনা ইশিনবদুদা ওজাসু চিখ্-নাম্থবা লৈহৌগনি হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন ৱারীসি শাংনা লীবি।

তেনখ্রবা কোলম অসিদা ওজা-পাবুংগী মরমদা শুনা ইবা ওইথোক্তে। ওজাদি নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা তূম্বা-চাবসি কয়া খঙলক্তে তাকপী, মানা নীংখিবা তৌগদবা অদুদা হেন্না পূক্নিং লুপ্পকখিবগী ৱারী লীবি। লীলা ইনীংলকপা মতমদা লেপ্তুনা অদুম ইবা ঙম্মী। ঈশৈ ইগনি, শুর পানগনি। লীলাগী ৱাখল য়াম্না খনখি। ময়ামদুসু শেল ফংনবা, লীলা চৎনবা ৱাখলসু খনগনি, লীলা শানফমসু মহাক্না থিগনি। ওজা-পাবুংগী কোক অসিদা মখল কয়াগী ৱাখল লেপ্তুনা খনখি। দ্রামাদা মৈগী দিজাইন তৌবসি অঙকপা অমনি। মতমদুদা পেট্রোমেক্স থাওমৈ থাও ফজনা হাপ্পগা, নুংশিৎ ফজনা হাল্লগা, মদুদা উনা শাবা মমায় খুমদোক খুমজিন য়ানবা শেম্মী, অদুগা থৌরিনা পুল্লগা ভাবোক্তা অমুক ঙালহনবা, ষ্টেজদা অমুক ঙালহনবা, ষ্টেজসু ভাবোকসু মমহল্লগা অহিং শাবগী সিন লাকপদা শেমখিবা মৈগী দিজ াইন কয়া অদু কনানসু মতৌ তম্বা ঙমলরোইদবনি। ঐনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী মেম্বর ওইরিঙৈ মতমদসু য়াম্না কন্না হায়জখিবনি, অদুগুম্বা কয়া অদু ম্যুজিয়ম অমা শেমদুনা থমহৌসি, ওজাদা মদুগী মচাকশিং লোইনা লৈরিবনি। মণিপুরগী থিএটরগী খোঙ্গুল লীরকপদা মদু য়াম্না মথৌ তাগনি হায়না অদুম হায়দুনা লাকখিবনি। অদুবু তৌগদবনা তৌদ্রবদি করি পাম্বে লৈগনি। ওজা-পাবুংগী পুন্সিদি থিএটরদা কখোকখিবনি। ওজা-পাবুংনা থিএটরদা চঙলকখিবগী ৱারীসু য়াম্না লৈরি। এম দি য়ুদা ঈশৈ শকপা ওইনা মহাক্কী ওজা মতমদুগী মমিং লৈরবা শৈশকপা ঙাঙবম নিমাইনা পুশিন্দুনা য়াওহনবীরকপগী, বিলাব মঙ্গোল, সাবিত্রি-সৈত্যবাননচিংবা লীলাদা চাকনীবা শাদুনা ষ্টেজদা ঈশৈ শক্লগা থোকখিবদগী, মতমদুগী এম দি য়ুগী দাইরেক্টর, সোরোখাইবম ললিৎনা মহাক্কী টেলেন্ট অদু মুন্না খঙবদগী হেরো কুমহল্লকপা ফাওবগী, মদুদগী অমুক স্ক্রিপ্ট রাইটর, দাইরেক্টর ওইরকপা শাংলবা ৱারীগী তাঙ্কক কয়া লৈখ্রে। ওজা-পাবুংগী মীয়াম্না হেক কাউবা ঙম্নদবা লীলা খরা পনবা তারবদি - সরত পুর্ণিমা, নাচোম, পোনগী চেক্লা, য়াইরিপোক থম্বালনু, হাওরং লৈশাঙ শাফবী, মাধবিনচিংবা খরা অসি পনবা য়াই। ওজা-পাবুং অসিনা হোল অমদা সুম নৈশিন্দুনা লীলা শান্নবা পাল্লকখিদে, মণিপুর শিনবা থুংনা লীলা শাননবা ৱাখল খল্লকপদা টুরিং দ্রামাগী ৱাখল মমি অসি লাকপদগী কুমজা ১৯৪৬তা মণিপুর নেসনল আর্টিষ্ট টুরিং দ্রামা পার্টি হায়বা অসি লীংখৎখি হায়না তাকপীখি। মতমদুদা এম দি য়ুদা এক্টর ওইমিন্নবা হাওবম মরক্তগী লৈখিদ্রবা লৌবুকতোংবম শ্যামোগা লোয়ননা টুরিং দ্রামা অসি কন্না চখ্থরকখি। কোন্নথংদদি ঐগ্যা শ্যামো তোকখ্রে, মহাক মশাগী ওইবা অমা তৌখ্রে। ওজা-পাবুংনা মখা শাংনা চখ্থরকখি। "জয় দ্রামা" হায়না মণিপুর শিনবা থুংনা মমিং চৎখি। হৌজিকসু মতমদুগী মী অমত্তনা কাউবা ঙম্নদ্রি। করম্নসু কাউগনি, মমল নাইদ্রা দ্রামা কয়া শান্নখিবদু - পুন্সি পামেল, খাঙুথক্কী চেক্লা, বি এ লমজা, শাগৈগী মৌনচিংবা। নহা এক্টর-এক্ট্রেস কয়া কয়া শেমখি। মহাক্না পুথোকখিবা এক্টর-এক্ট্রেস কয়া ঙসিদি মমিং লৈবা ঙাক্তা ওইনা লৈহৌরি। মায়কৈ খুদিংদা মহাক্কী লীলা য়েংলুরবা মতুংদা দ্রামা শান্নবগী মঙ মঙবা হৌনখি। মফম খরদদি মহাক্কী প্লেনা ইনফ্ল্যুএন্স পীদুনা দ্রামাগী লূপ কয়া লীংখৎখিবগী পাউ লৈখি। লীলা মখল কয়া পুথোকখি। মায় পাকখি।

লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা মথুম কয়া অমা পীদুনা ওজা-পাবুংবু ইকায় খুম্নবা উৎপীখিবশিংদি - মণিপুর সাহিত্য পরিষদ (নত্য ভুষন) ১৯৮৭, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ (১৯৯৯), একাদেমি ফেলো (২০০৩), মৈত্রম বির এৱার্দ, রুপমহল থিএটর (১৯৯৯), সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি, ন্যু দেল্লী (২০০৫) খোমদ্রাম ধনচন্দ্র নীংশিং মনা (২০১৪) নচিংবনি। মসিদগী হেনবা খরসু লৈরমখিগনি। মসি নত্তবা ওজা-পাবুংগী পুন্সিদা শিংথানীংঙাই ওইরবা বেষ্ট এক্টর, বেষ্ট দাইরেক্টর, বেষ্ট রাইটরনচিংবা মনা কয়া অমসু কম্পিটিসন কয়াদা ফংখ্রে।

মতম চূপ্পদা ওজা-পাবুংগী থৱায় মিরেলনা মপু মাগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা পোত্থাদুনা লৈহনবীবা পীনবীয়ু হায়না নীজরি। হন্দক মপোক অসিমগী ওইনদি ওজা-পাবুংগী মফমদগী কায়নবগী য়াথংসু নীজরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩। ০৬। ২০২১ ইং,
নোংমাইজিং; ইঙাগী ৩ পানবা।

মেষ: লম খুদিংদা অফবা ওইরনি। মীচং ফংবা, ৱাখল থোকপা, মীংচৎ তানবা য়াবা, পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি অচুম্বনা লাকচবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃষ: নুংথিলদগী লাইবক ফবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনবা লৈ। অকিবা অমদি চিংনবা থাদোকউ। অশা চাওনা মাঙলোমদা চঙশিনবা মতাং চারনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল খরা নুংঙাইরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: ৱাখল নুংঙাইবা, নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা লাইবক ফবা খোঙশাল লৈগনি অমদি মীয়াম্না ফনা শোন্নগনি। অনম তানবনদি কাইনবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নোল্লুক্না চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, নুংঙাইরমদবা হকচাং নুংঙাইরক্কনি অমদি হৈশিংবনা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংউ হাইবসু লৈ। খোইরাংলদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হাইজবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: লৌশিং চাউই, অনৌবা লৌশিং তান্সিনবসু য়াগনি অমদি য়েৎনবদা মায় পাক্কনি। অথেঙবদা লাইবক ফবা হন্থরক্কনি অমদি হুরানবনা তাথীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: থবক পাঙগনি অমদি ওইজ-ওইথক তানবা মায় শোয়দনা পাক্কনি। নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনহৌরো। অদুবু নাপল অমদি ঙক কনবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: মীপাইরম্বা কোকচদুনা নুংথিলদা নিংবা মপা চাগনি, অফবা থবক্তা খুৎচাও থানা শেল থাদবা য়াগনি। মৈনদি তাথি, শিখাং খাঙলদি কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল খরা নুংঙাইরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: হকচাংদি নুংঙাইরনি অমদি য়েৎনরম্বা কোকচরনি। মরুপ মপাং তান্নরগা থৌ পাঙনবা হোৎনৌ-মায় পাকপা শোয়রোই। ৱা ঙাঙবদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

ধনু: নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা লাইবক থোইনা ফগনি অদুনা থবক থৌরম অয়াম্বা ঙন্না পাঙহৌবা কান্নগনি। য়েক্লবা মপাঙ্গল কল্লী অদুনা ঈৱাং তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্নিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মকর: মায় পাকচগনি, নীংবা মপা চায়, মীচং হেনগৎকনি অমদি অনৌবা অশা লাক্কনি। নাপল অমদি মরম চাদনা থৌনা ফুদোকপা অপঙ তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কুম্বা: থেঙলপ্পা নীংবা থুংগনি অমদি য়েক্লবা লৈরল্লসু মাঙখিনি। থৌরম নিংথিনা য়াৎলগা পাঙউ অমদি থৌনা ফুদোকপা মতাং চায়-মায়থীবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিন: লৌশিং তান্নবগী থবক্তা মাঙগনি অমদি থৌয়াম পুগনু-হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি। পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা য়াই লোয়ননা অরং-অরাক ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হোয়া ফগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




মমৌনুপীনা মকুবোক্তা : পাবুং দুকান চৎপা ওইরবদি ইলাইচি খরা লৈবিরকপা য়াগদ্রা?
মকুবোক : ইবেম্মা ইলাইচি হায়রিদো নখোয় ননেম্বোক্কী মমিংনি। নথক থোংবা অহলশিংগী মীং হেক্তা কৌফদেকো।
মমৌনুপী : হোয়, পাবুং ঐ মতুং তাবদা কৌজররোই।
নুমীৎ খরনিগী মতুংদা...
মমৌনুপী : পাবুং ইমা লোইখ্রে, দুকান চৎকদবা ওইরবদি কৈথেলদগী ইমা খরা লৈবিরকউ ...!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

দুকান মপু : করি লৈদোইনো হায়বিয়ু।
তোম্বা : ঐগী নুপীনা লোয়বা হুইনা চানবা কেক পাম্বনি।
দুকান মপু : শিদা চাদোইরা নৎত্রগা পেকিং তৌরগা পীয়ুরা ...!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

ট্যুসন মাষ্টর : গধা নঙনা করিগীনো হোম ৱর্ক তৌরক্ত্রিসিনা?
তোমচা : ৱাগী ৱা ফজনা হায়বিয়ু কষ্টমরদা অদুমাইনা ৱা ঙাঙবা হৌনব্রা ...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

কঞ্জুস য়াম্না ওইবা নুপা অমনা মচানুপা ফুদুনা লৈরম্মী...
য়ুম্লোনবা : করিগীনো অঙাংদা অদুক কন্না ফুরিদুবু?
কঞ্জুস নুপা : ঐনা য়ূমগী সিড়ি কাবদা থাক অমমম কাল্লগা কাউ সেন্দল তুমগনি হায়বনি। অদুগা মানা সিড়ি অনী-অনী কাল্লগা কাবদা খোঙ্গ্রাউ শেগাইহল্লিবনি।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

য়ূ থকপা মরুপ অনী গাড়ি থৌদুনা চৎলম্মী।
মতম অদুদা মরুপ অমনা লাউরকই - ভাই-ভাই মাংদা গাড়ি ময়াম অমা লৈরে হায়না-হায়না গাড়ি অদু থৌজিল্লম্মী।
নোংঙাল্লগা হোস্পিটালদা ভাই করিগীনো নঙনা গাড়ি লৈ-লৈ হায়রগা গাড়ি থৌজিল্লিদুবু করিগীনো?
অনীশুবা মরুপ : য়াইয়ে নঙসু ইবুংঙো গাড়িনা নঙনা থৌরগা...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

কালেনগী মতমনি মোংফম অমগী মথক্তা নুপী অমা ফমদুনা লৈরম্মী।
নুপা : কীদ্রা ইবেম্মা নঙ নথম্তা মোংফম মথক্তা ফল্লিদুবু ?
নুপী : করি তৌবগী কীদৌরিনো... মোংফম মনুংদা য়াম্না শাদুনা মথক্তা কাখৎলগা ফল্লিনে...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

ববলু : চাইনাদা পোৎশক খুদিংমক দুপ্লিকেট শাই হায়বদু লাল্লি।
বন্তা : মতৌ করম্না লাল্লিবনো?
ববলু : হন্দক শারক্লিবা কোরোনা ভাইরস অসি য়েংঙদনা ওরিজি নেলদগী হেনখ্রে য়াম কুইনা চৎলে।


- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

সোনু-মোনু পোকমিন্নবা মচিন-মনাও ক্লাস অমত্তদা তম্মিনৈ।
মেদাম : করিগীনো নখোয় অনীনা নপাগী মমিং মান্ননা ইদ্রিদো?
সোনু : চপ মান্ননা ইরদি মেদামনা নোট তৌই হায়রক্কদৌরি নৎত্রা?

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title: Bt21
By: Sweety Thiyam
Class: V Roll: 09 Sec: A
School: Regular English High School



Title: House and a young Lady
By: A. Thoi Thoi Chanu
Class: V
School: Maheilen Education Centre




Title: Scenery
By: Carolina Irom
Class: VII Roll No.: 6
School: Maheilen Education Centre



Title: Spiderman
By: Kangjam Justin
Class: I Sec: Diamond Roll No.: 50
School: Heritage Convent




Title: Cannonbolt-Ben-10
By: Ngasepam Krishnan Singh
Class: I Sec: D Roll No. 50
School: St. Joseph's Higher Secondary School




Title: A girl with butterfly wing
By: Ngasepam Manshita Devi
Class: V Sec: B Roll No. 64
School: Nirmalabas High School



Title: CRPF Quarter (Miss U Papa)
By: Ngathem Pathou Meetei
Class: IV Sec: D No. 28
School: K.V.S. Lamphel




Title: Parts of plant
By: R.K. Arjunsana
Class: III Sec: A Roll: 24
School: Bethany School, Guwahati



Title: Dolphin
By: Kangjam Julia Devi
Class: V Roll No. 3
School: Nirmala House Khagempalli pankha

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।